# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ০৫-০৫-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই অনি অমদি খূৎশু খূৎলাইশিং ফারে।

২) নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামদা বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা এবসোলুট মেজোরিতি ফংলে। নোংচুপ বেঙ্গলগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজি মাইথিহৌরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গল, অসাম, পুদুচেরি, তামিল নাদু অমসুং কেরলমগী মীয়াম অমদি দলগী কর্যকতাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

----

**পুলিস (এল):** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথ্বদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অনিগী মীওইশিং য়াওনা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা ঙম্লে। শিংজমৈ পুলিস স্তেসনদা রেজিস্তর তৌবা কেস অমগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থিজিন হুমজিনবগী থবক চথ্বদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রিলৈকাই মোংখাংলম্বীদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমা ফারে।

ককচিং জিলাগী ৱাইখোঙ পুলিস স্তেসননা কোনবা ইন্দো ভর্ম্মা সুগনু রোদকী শরুক্তা ককচিং খুনৌ লমখাই এরিয়াদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (ইবুঙো ঙাঙোম্বা)গী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মীওই অসিদগী চাকা মরি পানবা গারি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

থৌবাল জিলাগী লৈশাংথেম ইকোপ পাৎ এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথ্বদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। মফম অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি কর্বাইন অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল মরি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম ফাগৎখি।

অমরোমদা, তোকঙা অমসুং অরানবা ভিদিওশিংদা থাজবীদনবসু রাজ্য পুলিসনা আপিল তৌরি। ভিদিও অমসুং ওদিওনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপশিং অদু চুম্মি নত্রগা লাল্লি হায়বা খঙদোকবগীদমক সেন্ত্রেল কন্ট্রোল রুমগী নম্বর 9233522822 ফোন তৌরকপা য়াগনি হায়রি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা শাশিন্নবা পোষ্টশিং অচুম অরান খঙদনা হেক্তমক থাদোক থাজিন তৌনবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

**থাইলেন্দ (এল)ঃ** লেঙ্গুএজ এন্দ কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৮ ফাওবা ক্লাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোক্লগনি। একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াগদবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা লৈবা স্বান দুসিত য়ুনিভর্সিতিগী মীওই ৯ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

**ফলঃ** নোংচুপ বেঙ্গল মীখলদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেস(এ.আই.টি.সি)গী লুচিংবী মমতা বেনরজিবু বভানিপুর বিধান সভা কেন্দ্রদগী বি.জে.পিগী মীরেপ সুবেন্দু অধিকারিনা ভোৎ মশিং লিশিং ১৫ হেন্দুনা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা মাই পাকখ্রে।

রাজ্য অসিগী ওহনা পুন্না এসেমব্লি সিট ২৯৪ লৈবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা সিট ২৯২ গী ফল লাউথোকপদা বি.জে.পিনা সিট ২০৬ ফংদুনা মাংজিল থারে। এ.আই.টি.সিনা সিট ৮০ দা ফংলে। কংগ্রেস অমসুং এ.জে.য়ু.পি সিট ২-২ ফংলে। সি.পি.আই.এমনা সিট অমদা মাই পাক্লে।

অসাম বিধান সভা মীখলদসু অপুনবা সিট ১২৬ কী ফল লাউথোকখিবগা লোয়ননা বি.জে.পিনা সিট ৮২ দা মাই পাক্লে। কংগ্রেসনা সিট ১৯, বি.ও.পি.এফ অমসুং এ.জি.পিনা সিট ১০-১০ দা, এ.আই.য়ু.দি.এফনা সিট ২, আর.জে.আর.দি ২ অমসুং এ.আই.টি.সি ১ ফংখ্রে হায়রি। মীখল অসিদা নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামদা বি.জে.পিনা এবসোলুট মেজোরিতি ফংলে।

তামিল নাদুগী ওইনা অপুনবা সিট ১৩৪ গী ফল লাউথোকখিবদা টি.ভি.কেনা সিট ১০৮ দা মাই পাক্লে। দি.এম.কেনা ৫৯, এ.দি.এম.কেনা ৪৭, কংগ্রেসনা ৫, পি.এম.কেনা সিট ৪, আই.য়ু.এম.এল , সি.পি.আই , ভি.সি.কে অমদি সি.পি.আই.এমনা সিট ২-২, বি.জে.পি অমসুং দি.এম.দি.কেনা সিট অমমম ফংলে।

কেরালা বিধান সভাগী অপুনবা সিট ১৪০ গী ফল হায়দোকপদা কংগ্রেসনা

সিট ৬৩ ফংদুনা মাংজিল থারি। সি.পি.আই.এমনা ২৬, আই.য়ু.এম.এলনা ২২, সি.পি.আইনা ৮, কে.ঈ.সিনা ৭, আর.এস.পি অমসুং বি.জে.পিনা ৩-৩, আর.জে.দি, আর.এম.পি.ও.আই, কে.ঈ.সি(জে) অমসুং সি.এম.পি.কে.এস.সিনা অমমম ফংলে। অদুগা, ইন্দিপেন্দেন্টনা সিট ৪ দা মাই পাক্লে।

পুদুচেরি বিধান সভাগী অপুনবা সিট ৩০ গী ফল লাউথোকপদা এ.আই.এন.আর.সিনা সিট ১২, দি.এম.কেনা ৫, বি.জে.পিনা ৪, আই.এন.সি, এল.জে.কে, এ.দি.এম.কে, এন.ৰাই.এম.কেনা সিট অমমম ফংলে অমসুং টি.ভি.কেনা ২ দা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টনা সিট ৩ দা মাই পাক্লে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গল, অসাম, পুদুচেরি, তামিল নাদু অমসুং কেরলমগী মীয়াম অমদি দলগী কর্যকতাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। নিউ দেল্লিদা বি.জে.পিগী হেদ ক্বাতরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা গনতন্ত্রদা থাজবা থমদুনা মীয়ামা এক ভারত শ্রেস্থ ভারতকী লমজিং মখাদা মীপুম খুদিংমকা চংশিল্লি হায়বদু তাক্লে। মহাকা হায়- ভারত সংবিধানগী অমসুং গনতন্ত্রিক ওইবা ভারতকী মাই পাকপা নুমিৎ হায়বদু মীয়ামা উবা ফংলে। মীয়াম অমসুং দলগী কর্যাকতাগী হোৎনজমনগী ফল অদু মীপুম খুদিংমকা উবা ফংলে।

**ধরমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা ঙসি নিউ দেল্লিগী ভারত ম‍ দপমদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি মদ্রাসকী টেকোলেজি সম্মিট হৌদোক্লগনি। সম্মিট অসিগী নুংগী ওইবা ৰারোলদি ফ্রোম আই.আই.টি.এম ফোর ভারত বিল্ডিং টুগেদর হায়বসিনি। সম্মিট অসিনা মীয়াম, উদ্যোক, সরকার, টেকোলোজি, ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপনচিংবা লমশিংগী প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা শাফু পীনবা হোৎনরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.আর.সিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাকা কম্মিতি অমা শেমবা হোৎনরি হায়বা চিফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, উখ্রুলগী রিঙ্গুই ভিলেজতা নোংমৈ কাপবদা কুকি মিলিতেন্ট অনি শিরে, নাগা তরুক শোক্লে হায়বা পাউ অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট মরি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি অমদা পাঙথোকখিবা মীখলগী ফল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

এন.আর.সিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাকা কম্মিতি অমা শেমবা হোৎনরি হায়না চিফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- গানফিউ মেল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

উখ্রুলগী রিঙ্গুই ভিলেজতা নোংমৈ কাপবদা কুকি মিলিতেন্ট অনি শিরে, নাগা তরুক শোক্লে হায়বা পাউ- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা খূৎলাই পায়বশিংগী লান্দাদা নাগা ভিলেজ ভোলুন্তিয়র মঙা শোক্লে হায়না ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন,

পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, গানফিউ মেল অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিদসু ফোঙলি।

পার্লিয়ামেন্টতা চেলেঞ্জ তৌবগী মহুৎ মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা য়াবা ঙল্লোইঃ সি.এস.ও হায়বা পাউ অমসু- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙনরি।

ষ্টেট মরি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি অমদা পাঙথোকখিবা মীখলগী ফল অসি- হুইয়েন লানপাউদা, বি.জে.পিনা অমুকসু অসামদা লৈঙাক পায়রগনি, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মখূৎতগী ৱেষ্ট বেঙ্গল মুনখ্রে হায়না ফোঙলি।

নুপী অমা হাৎলগা সনা, শেল মমল য়াম্লবা পোৎলমশিং পুখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং হুইয়েন লানপাউ য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা ফোঙনরি।

মীতোপ খন্দোকবা তকশিল্লগনি হায়না এমসুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু- সনালৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলদা বি.জে.পিনা মাই পাক্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**